সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি এদিসনল কম্মিস্নার ওফ ইনকম টেক্স রেঞ্জ ইম্ফালগা খুৎশম্নদুনা দি আর দি এ কমপ্লেক্স হোলদা পাঙথোকখিবা ইনকম টেক্স রেঞ্জগা মরী লৈনবা থৌরমদা শরুক য়াখিবশিং

ত্রিপুরাগী ধর্ম্মনগরদা চৎলিবা মে থা অসিগী ২৫দগী ২৭ ফাওবা নুমীৎ হুম্নী চুপ্পা পাঙথোক্কদবা ইমা লাইরেম্বী লাই হরাওবগী থৌরমদা সনামহী টেম্পল বোর্দকী মীওই ৯ শরুক য়ারুনবগীদমক ইম্ফাল থাদোকখিবা

দ্রাইভ চথবদা দি আই সী লিক্কর (য়ুভৌ) লিট্টর ১০ গা কোন্ননা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা চোঙবী কোংবা উচেক্কোন এরিয়াদা ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী টিম অমনা মীওই ৩ ফারবা মতুং ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনদা পুরক্তুনা ৱাহং পাউহং চথখিবা

দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)গী থৌমীশিংনা পাঙলতাবী অপ্পর প্রাইমারী স্কুলদা তম্বা মহৈরোয়শিংগী পেরেন্টশিং, লোকেল ইলেক্তেদ অমদি ক্লবশিংগা স্কুল অসিদা ৱাৎলিবা ওজাশিং থাবীরক্কবা মতাংদা ফমখিবা মীফম

য়ু লিট্টর ১০ গা কোন্ননা মীওই ৩ ফারে

ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস): ইরিলবুং পুলিসনা কোংবা উচেক্কোন এরিয়াদা দ্রাইভ চথবদা দি আই সী লিক্কর (য়ুভৌ) লিট্টর ১০ গা কোন্ননা মীওই ৩ ফারে।

ঙসি নুমিদাং পুং ৭ রোম তাবা মতমদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা চোঙবী কোংবা উচেক্কোন এরিয়াদা ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী টিম অমনা দ্রাইভ চথবদা মীওই ৩ য়ুভৌগা কোন্ননা ফারে হায়রি। ফারবা মীওই ৩ অদুদি থোকচোম অমুথোই (৫৪), অপোকপা টি ঐচ গৌরমনি; থোকচোম ব্রোজেন (৪৪), অপোকপা লৈখিদ্রবা টি ঐচ মঙলেম্বা অমদি থোকচোম বোইচা (২৯), অপোকপা টি ঐচ অমুথোইনি। মখোয়দগী দি আই সী লিক্কর লিট্টর ১০ ভেন্দরদা লোৎতুনা থল্লম্বদগী ফারে হায়রি। মখোয় ৩ ইম্ফাল ইষ্টকী পোরোম্পাৎতা লৈবা এক্সাইস পুলিসতা মখা তাবা থবক লৌখৎনবগীদমক্তা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

এৱার্দ পীরক্লে

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস): ঙরাং নুমীদাংৱাইরম লৈবাক অসিগী কোনুং দেল্লীদা লৈবা লাজপট ওদিটোরিয়মদা এ আর রেক ফাউন্দেসন অমদি ভিজ্যুএল এদ্যুকেসন ট্রষ্টনা স্পোন্সর তৌদুনা ইন্সপ্যাইরিং ইন্দিয়ন কোপী টেবল বুক ২০২২ এৱার্দ মণিপুরদগী সোসল এক্টিভিষ্ট মাইবম ইতীন মৈতৈদা পীরকখ্রে। লোয়ননা মশক নাইরবা মীওই ৪৪দসু হায়রিবা এৱার্দ অদু খুৎশিন্নখি।

পনবা য়াবদি, মাইবম ইতীন মৈতৈ মমাঙদসু তোঙান তোঙানবা হ্যুমেনিটি এৱার্দ ২০২১দা এৱার্দ ৬ অমদি নেসনল এৱার্দ কয়া পীদুনা ঈকায়খুম্নবা সোসল এক্টিভিষ্ট অমনি। ইতীন মাইবম থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা মাইবম কুল্লা অমদি মাইবম ওংবী ইবেমুগী মচানুপানি।

লুপা লিশিং ১০ ফাইন লৌরগনি

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস): নেসনল হায়ৱে ৩৭ সগোলবন্দ রোদকী তেরা কৈথেলগী অকোয়বদা মরুওইনা তেরা লৌক্রাকপম লৈকায় হায়জিনফম অমদি সয়াং লৈরক হায়জিনফমদা অমোৎ-অকায় মখা তানা হুন্দোরক্লবদি ক্লবকী মেম্বরশিংনা ফারগা লোগী মতুংইন্না চৈরাক ফংহনবগা লোয়ননা লুপা লিশিং ১০ ফাইন ওইনা লৌরগনি হায়না দ আইদিয়েল ক্লবকী জোইন্ট সেক্রেটরিগী চেরোলনা খঙহল্লক্লি।

‘আর টি ঈগী ফংফম থোকপা রাইটশিং ষ্টেট অসিগী মহৈরোয়শিংনা ফংবা ঙমদ্রি’

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস) : আর টি ঈগী মতুংইন্না ফ্রী এন্দ কম্পলসরি এদ্যুকেসন হায়রবসু ওজা মতিক চানা লৈতবনা মহৈরোয়শিংনা মসিগী খুদোংচাবা মপুং ফানা ফংবা ঙমহন্দবা হায়বসি আর টি ঈবু খোঙ্গাওনরগা মহৈরোয়শিংদা ভিক্টিম ওইহনবনি হায়না দেসাম, মহৈরোয়শিংগী মমা-মপা, লোকেল ইলেক্তেদ অমদি ক্লবশিংনা লৈঙাক্কী মফমদা ফোঙদোকচরি। মরম অসিনা অথুবা মতমদা অৱাৎপা ওজা থাবীরক্তুনা মহৈরোয়শিংবু মপুং ফানা মহৈ তম্বা ফংহনবীয়ু হায়না দেসামগী সেক্রেটরি জেনরেল এম সোমোরজিৎ লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লৈঙাক্কী মহৈলোয়শঙ কয়াদা ওজা মতিক চানা লৈতবা অমদি লৈফম থোকপা ইনফ্রাষ্ট্রকচর লৈতবনা মহৈরোয়শিংগী রাইট অমা ওইরিবা ফ্রী এন্দ কম্পলসরি হায়বসি মপুং ফানা ফংবা ঙমদ্রে। পাঙলতাবী অপ্পর প্রাইমারী স্কুল অসি খুল অসিগী ওইনা অমত্তা ঙাইরবা ক্লাস আইট ফাওবা তম্বা য়াবা লৈঙাক্কী স্কুলনি। খুল অসিগী ওইনা মহৈলোয়শঙ অসিদা তম্বা য়াবা মহৈরোয় কয়া লৈরবসু তাকপী-তম্বীনবা ওজা মতিক চানা লৈতবনা মহৈরোয় কয়া মহৈলোয়শঙ অসিদা তম্বা ফংদনা লৈরি। মহৈলোয়শঙ অসিদা হৌজিক হৌজিক ক্লাস ৱানদগী আইট ফাওবগী মহৈরোয় পুন্না ৫৪ তল্লি। সেসন অসিগীসু খুল অসিগী অমদি খুন্থংনবা খুলশিংদগী মহৈরোয় কয়া মহৈলোয়শঙ অসিদা তমগে হায়না লাক্লবসু ওজা মতিক চানা লৈতবনা মহৈরোয়শিংবু মহৈ তমহনবীনবা এদমিসন তৌহনবা ঙমদ্রে হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, লৈঙাক্কী চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না অপ্পর প্রাইমারী স্কুল অমদা ওজা ৮দগী তাদনা লৈগদবনি হায়রবসু মহৈলোয়শঙ অসিদদি শুপ্নগী ওজা ৩ খক্তনা ক্লাস ৱানদগী আইট ফাওবগী মহৈরোয়শিং তাকপী-তম্বীরি। লোয়ননা ওজা অহুম অসিগী মনুংদা অমসু য়ুটিলাইজ তৌরকপা ওজানি। ওইরিবা ফীভম অসিদা মতৌ করম্না মতিং লৈবা মহৈরোয় পুথোকপা ঙমগদৌরিবনো? ওজা লৈতবনা সেসন অসিগী ওইনা ক্লাস ২/২ পুনশিল্লগা ক্লাস তৌরি। স্কুল অসিগী লৈজরিবা ওজাশিংনা মহৈরোয়শিংবু ঙমজবা থাক্তা মহৈ তম্বীনবা হোৎনরবসু ক্লাস অমদা ক্লাস অনী পুনশিল্লগা মহৈ তম্বা হায়বসি চুন্নিব্রা হায়বা ৱাহং লৈঙাক্কী মায়কৈদা হংজরি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

য়াইরিপোক চঙমদবীদা লৈবা অব্দুলা মীশিগী অচুম্বা ৱায়েল মীয়ামদা খঙহল্লু : এ এম এম দি সী

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস) : অব্দুলা মীশিগী অচুম্বা ৱায়েল লৈবাক মীয়ামদা খঙহল্লু হায়না ওল মণিপুর মুস্লিম দিভেলপমেন্ট কম্মিটি (এ এম এম দি সী) হেদ ক্বার্টরগী ভাইস প্রসিদেন্ট অবাস খানন্না খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, থা অসিগী ১৬কী নুমীৎয়ুংবা পুং ১২ তাবা মতমদা কোরিময়ুম অব্দুলা (২৩) অপোকপা অব্দুল বারিক (৫৫) য়াইরিপোক চঙমদবী মখা লৈকায় অমদি মহাক্কা লোয়ননা হায়রিবা এম দি বাস্কর (২৯) অপোকপা এম দি য়ুসুফ আলি য়াইরিপোক নিংথৌনাই; এম দি সজিস খান (২৮) অপোকপা এম দি হেলাল য়াইরিপোক নিংথৌনাই অমসুং এম তারিক অজিজ (২৭) অপোকপা এম সেরাজ অহমদ য়াইরিপোক তুলিহল ময়াই লৈকায় ভিক্টিম অসিগী য়ুমগী গেটতগী থোকখিবদগী কোরিময়ুম অব্দুলা অসি ময়ুমদা নুমীৎতুদগী হল্লকখিদনা লৈরকখিবনি অমদি থিবা য়াবা থিরবা তুংদা অশিবা হকচাং ফংখিবনি। মীশি অসি এ এম এম দি সী হেদ ক্বার্টর লিলোং উশোইপোকপীনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। মীশি অসিদা চেন্নরিবা মীওই খূদিংমক লিগেলগী ওইবা চপ চাবা এক্সন লৌখৎতুনা অসিগুম্বা থৌদোক অসি মতুংদা অমুক হন্না ইরমদম অসিদা থোকহন্দনবসু লৈবাক মীয়ামদা আপীল তৌরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, লমদম অসিদা নুপী ওইবী চনুরা কয়াগী পুন্সিবু নোংমা কাংদনা তেমশিংনরক্লিবা অমদি নুপীগী মরমনা নুপা কয়াবুসু অৱাবা তাহল্লক্লিবা অসিগী মথক্তা মীবু মরম চাদনা ওৎপী-নৈবীবা, শিবা অমসুং হাৎতোকপীবা ফাওবা য়াওরক্লিবা অসিদা গভর্ণমেন্টনা অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীদুনা লমদম অসিদা অসিগুম্বা থোকহন্নিংদবা থৌদোক ক্রাইম মখা তানা থোক্তনবা অমদি অসিগুম্বা ক্রাইম কয়া অসিদগী কলহৌনবা হোৎনবা মথৌ তাই।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ফনা মরাল লৈরম্লবসু মী অমবু হেক্তা তমথীনা হাৎতোকপীবা হায়বসি মীওইবগী লমচৎ নত্তে। মীশি অসিগী মতাংদা চেন্নরিবা মীওই খূদিংমক লৈবাক মীয়াম্নসু কনখৎতুনা থল্লোইসি। লোয়ননা ষ্টেট অসিগী মপী-মপা ওইবীরিবা সী এম, এন বিরেননা থৌদোক অসিগী মতাংদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীদুনা মীশি অসিগী মতাংদা কুপ্না থিজিনহনবীদুনা অশেংবা অচুম্বা মরাল লৈবা মীওইশিং অদুগী ইনভেষ্টিগেসন রিপোর্টনচিংবা কয়া ট্রান্সপরেন্ট ওইনা লৈবাক মীয়াম খঙনা উৎপীয়ু। লোয়ননা থৌবালগী এস পি, ইম্ফাল ইষ্টকী এস পি অমসুং মরী লৈনবা ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসর, ফোরেন্সিক এক্সপার্টশিংনসু মীশি অসিগী মতাংদা লৈবাক মীয়ামগী ইহুল খঙনা শোয়দনা থবক তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা ওল মণিপুর মুস্লিম দিভেলপমেন্ট কম্মিটি (এ এম এম দি সী)নসু থমজরি হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, কোরিময়ুম অব্দুলাগী মীশি অসিগী মতাংদা শেমখিবা জে এ সীনা অচুম্বা জষ্টিস পুথোক্লবা হোৎনবদা মতম চুপ্পদা ওল মণিপুর মুস্লিম দিভেলপমেন্ট কম্মিটি (এ এম এম দি সী) হেদ ক্বার্টরনসু অমসুং কম্মিটি অসিগী য়ুনিটশিংনসু অঙম্বা মতেং পাংবগা লোয়ননা শৌগৎকনি হায়রি।

মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস): শেন্বীবা মপুগী লম্বীদা চৎতুনা শ্রীমদ পরম হংস পরিব্রাজকাচার্য্য মিংথোল ফংখ্রবা মণিপুরীশিংগী মরক্তুগী অমত্তা ঙাইরবা শ্রীমৎ পরম হংস স্বামি জোগেন্দ্রনন্দ গিরিগী ১০৯শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি মণিপুর সাহিত্য সমিটি থৌবালনা শীন্দুনা থৌবাল ওক্রম ৱাংমতাবদা লৈবা শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর সাহিত্য সমিটি থৌবালগী প্রসিদেন্ট অকোইজম দেবেননা থৌরম মপু, মণিপুরী লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দ ন্যু দেল্লীগী কনভিনর নোংমাইথেম কিরনকুমারনা অথোইবা মীথুং অমদি মণিপুর সাহিত্য সমিটি থৌবালগী হান্নগী প্রসিদেন্ট ডা. থৌনাওজম খোমদোন অমদি অইবা মোইরাংথেম রাজেননা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী মরুওইবা শরুক অমা ওইনা অথোইবা মীথুংনা লুচিংদুনা স্বামিগী ফোটোদা লৈ কৎপগা লোয়ননা ইম্ফালগী কৈশামথোং লাইশোম লৈরক্তা পোকখিবা স্বামিনা মশাগী চহী ১৭/১৮ শুরকপদা য়ুম থাদোক্তুনা চৎখ্রবা মতুং শ্রীমৎ পরম হংস পরিব্রাজকাচার্য্য ফংদুনা শ্রীমৎ পরম হংস স্বামি জোগেন্দ্রনন্দ গিরি ওইরকখিবগী পুন্সি ৱারীগী মতাংদা অইবা ঈশৈহনবনা মীয়ামদা পাউদমখি।

হিরোইন পাওদর গ্রাম ৯৬২ লোমগা কোন্ননা মীওই ২ ফারে

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস): তোঙান তোঙানবা মফম অনীদা নাব অমদি অসাম রাইফলস কাঙবুনা থিবা-হুন্বা চথবদা মীওই অনীদগী ময়ায় কাবা চিঙ্গাক হিরোইন পাওদর গ্রাম ৯৬২ রোম ফারে হায়রি।

ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তাবা মতমদা ইম্ফালগী হায় কোর্টকী অৱাংথংবা নাকলদা নার্কোটিক্স এন্দ এফ্যেরস ওফ বোর্দর পুলিস (নাব)কী টিম অনা নেসনল হায়ৱে নম্বর ২ ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীগী হায় কোর্ট মনাক্তা নুপা অমা ময়ায় কাবা চিঙ্গাককা ক্নোন্ননা ফারে।

ফারবা নুপা অদুগী মমিং এম দি অকবর খান (২৯), অপোকপা এম দি অয়ুব খান কৌই। মহাক থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা লিলোং নুঙ্গৈ খুলদা লৈবনি।

মঙোনদগী তোঙান তোঙানবা সাপোন কেপ ২৫ দা হাপ্তুনা পুরকপা হিরোইন পাওদর গ্রাম ৩০০ ফারে।

লোয়ননা মহাক্না তোংলকপা দ্রগ পুথোক পুশিন্দা শীজিন্নবনি হায়বা টাটা ট্রক (এম এন ০৬ টি ০৫২৪) অমসু ফারে হায়রি। গাড়ী অদু হাপ্তা গোলাপতীদা লৈবা এম দি নাবিদ (৪০) কৌবা অমগীনি হায়রি।

মখোয়না হিরোইন পাওদর অদু থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতগীনা গুৱাহাটি ফাওবা পুথোক পুশিন তৌবনি হায়রি। দ্রগকা কোন্ননা ফারবা মীওই অদু মখা তানা নাবনা কেস অমা লৌখৎতুনা থিজিনবগী থবক চথবা হৌখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, আই জি আর সাউথকী মখাদা কৈথেলমানবীদা লৈবা অসাম রাইফলস অমদি মণিপুর পুলিসকী টিমগা পুন্না দ্রাইভ চথবদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা চাইরেল খুলদগী নুপা অমা হিরোইন পাওদর গ্রাম ৬৯২ গা কোন্ননা ফারে হায়রি।

ঙরাং কম্বাইন টিমনা ওপরেসন চথবদা সাপোন কেপ ১৭ কা কোন্ননা ফারবা মীওই অদু কুম্বী পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

মঙোন্দগী ফারবা হিরোইন পাওদর অদু ইন্টর্নেসনল মার্কেটতা লুপা ক্রোর অহুমমুক ওইগনি হায়রি।

দেসাম এম য়ু কাউন্সীল ২০২২-২০২৪গী থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস): দেসাম মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কাউন্সীল ২০২২-২০২৪ ফাওবগী ওইনা নৌনা থৌপুগদবশিং খনখ্রে হায়না দেসাম হেদ ক্বার্টরগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগেন্দা থৌদাম শ্যামজাইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

দেসাম মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কাউন্সীল ২০২২-২০২৪ ফাওবগী খনখ্রবা অনৌবা থৌ পুগদবশিং অদুদি প্রসিদেন্টতা নিলাকান্ত হৈগ্রুজম, ভাইস প্রসিদেন্টতা নিকেল হাওবিজম অমদি বিরজিৎ চোংথামনি। সেক্রেটরি জেনরেলদনা সন্তোশ খাইদেম; এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি জেনরেলদা লনচেনবা লিশম; সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন এন্দ কোওর্দিনেসনদা মনিরাম সলাম; সেক্রেটরি পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগেন্দাদা রেমিলা আর কেনি হায়রি।

হায়রিবা থৌ পুগদবশিং অসি দেসামগী পাঙথোরকপা থবক থৌরম পুম্নমক্তা শিন্থা পাঙবা হৌরগনি। দেসাম মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কাউন্সীলগী থৌ পুবা খনবগী থৌরম অদুদা দেসামগী প্রসিদেন্ট লময়ানবা, সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন এন্দ কোওর্দিনেসন রোমেশ খুমনচানচিংবসু শরুক য়াখি হায়রি।

মহৈ-মরোংশিং মাঙ-তাকহল্লম্বগী মতাংদা চান্নবা ষ্টেট পোলিসী শেম্বীয়ু : সোসাইটি

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস): ইঙ্খোল কোয়রিবা লৌফমশিংগী অকোয়বদা শা-ষন থাদোকহন্দনবা অমদি এঙ্গাং-নাপী মহৈ-মরোংশিং মাঙহন-তাকহল্লম্বশিংগী মতাংদা চান্নবা ষ্টেটকী ওইবা পোলিসী অমা শেম্বীয়ু হায়না মেমোরেন্দম অমা এগ্রিকলচর মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎতা পীশিনখিবগা লোয়ননা ওইনাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী চ্যেরপর্সন (ক্যের টেকর) অমসুং নম্বোল পুলিস ষ্টেসনগী ও সী ইন-চার্জদসু মেমোরেন্দম অদুগী কোপী অমমম পীশিনখ্রে হায়না মোদর্ন ইরা ফার্মরস মল্টিপর্পজ কো-ওপরেটিভ সোসাইটি লিমিটেদ (এম ঈ এফ এম সী ও এস ও)ওইনামগী প্রসিদেন্ট ও কুল্লাচন্দ্রনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, সোসাইটি অসিনা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুদা অসুম্না পল্লি, মনা-মশিং থাজরিবা লৌফম খরখক নত্তনা মনা-মশিং থাবা য়াবা লৌফম কয়াদা অমদি লম্বী-সড়ক্তা মওং-মরিল নাইদনা শা-ষন পংথাদা থাদোরকপনা য়াম্না অকায়বা ওইরে। মনা-মশিং কয়া চাথোকখিদুনা মাঙ-তাকহনবা, মনা-মশিং থাজরিবা লৌমীশিংদা খোয়শাওনবা/অৱাবা ওইরে, এঙ্গাং-নাপী থানিংবশিংগী ৱাখলদা শা-ষন থাদোরকপগী অকিবা লৈবনা এঙ্গাং-নাপী থাবগী থবক পায়খৎপা ঙমদ্রে। অপূনবা খুন্নাইরোলগী ৱার্ক কলচর অমদি শেন্মীৎলোনদা য়াম্না অকায়বা ওইরে। মসিগী মথক্তা লম্বীদা শা-ষন লৈবনা এক্সিদেন্ট তোয়না থেকপগী থৌদোক কয়াসু থোকহল্লে। শা-ষনগী মচিঙ্গাক্কীদমক্তদি ষনজাবুংদা থাবীগদবনি। নৎত্রগা মপুশিংনা ফাজিনবীদুনা মচিঙ্গাক পীবীগদবনি। অদুবু ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদদি ওন্ন-তৈননা লৈরে। মসি চুমথোক্লবগীদমক চান্নবা পোলিসী অমা শেম্বীয়ু হায়বনচিংবা ৱাফমশিং মেমোরেন্দম অদুদা য়াওখি হায়রি।

ওনলাইন সেনিটাইজেসন প্রোগ্রাম কম কন্সল্টেটিভ মীটিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট লিভেল সর্ভিসেস ওথোরিটি তমেংলোংনা শীন্দুনা স্পেসল য়ুনিট তমেংলোং অমদি নোনে দিষ্ট্রিক্টকী কন্সটিট্যুট তৌখ্রবা এন এ এল এস এগী মেম্বরশিংগা লোয়ননা ওনলাইন সেনিটাইজেসন প্রোগ্রাম কম কন্সল্টেটিভ মীটিং অমা পাঙথোকখ্রে হায়না দি এল এস এ তমেংলোংগী সেক্রেটরি ডা. লাইশ্রম রিনানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ঙসি পাঙথোকখিবা সেনিটাইজেসন কম কন্সল্টেটিভ মীটিং অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি তমেংলোংগী দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিগী চ্যেরমেন এ গুনেশ্বর, মসলসাগী এদিসনল মেম্বর সেক্রেটরি এস সদানন্দ, দি এল এস এ তমেংলোংগী চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট কম সেক্রেটরি ডা. লাইশ্রম রিনা অমদি স্পেসল য়ুনিটকী নোমিনেট তৌখ্রবা মেম্বরশিং লিওনিদ অহস্থেম, তমেংলোং অমদি নোনেগী এদিসনল এস পি (এল এন্দ ও) মেদিকেল ওফিসর অমদি নহা ওইরিবা লোয়রনচিংবসু শরুক য়াখি।

ত্রিপুরাগীদমক মীওই ৯না শাবা কাঙবু ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৩ (ঐচ এন এস): ত্রিপুরাগী ধর্ম্মনগরদা চৎলিবা মে থা অসিগী ২৫দগী ২৭ ফাওবা নুমীৎ হুম্নী চুপ্পা ইমা লাইরেম্বী লাই হরাওবগী থৌরম পাঙথোক্লুনবগীদমক লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দ (এল এস টি বি)গী মীওই ৯না শাবা কাঙবু অমা ঙসি ত্রিপুরাগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে হায়না লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দ ইম্ফালগী মেম্বর সেক্রেটরি শিবদত্ত লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ত্রিপুরাগী ধর্ম্মনগরগী রামেশ্বর লমদমদা ঙসিদগী চাউরাক্লা চহী ২০০গী মমাঙদা লেপ্লুরবা ইমা লাইরেম্বী হরাওবগী থৌরম নৌহৌননা পাঙথোক্লবা শেম-শারকপা অসি হয়িং খোংবাল উফোং য়ুম্ফম ইম্ফালদা লৈবা এল এস টি বিনা শীন্দুনা ইমা পান্থোইবী হরাওবা থৌগল লূপ ধর্ম্মনগর রামেশ্বরগা খুৎশম্নরগা শেম-শাবা থৌরম অমনি। টেম্পল বোর্দ অসিগী লুচিংপুরেল ঙমথং বিদ্যাপতি সেঞ্জমনা ত্রিপুরাগীদমক লমথাবগী লুচিংখি হায়রি।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM

Ref. Mutation Case No. 166 of 2022

Leichombam Bokul Singh, S/o. (L) L. Ibohal Singh of Leimaram
-Applicant

-Vs-

(L) Leichombam Ibohal Singh, S/o. L. Rupa Singh of Leimaram
-O.P. Pattadar

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Oinam, the 23rd May, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ২৮-লৈম্রামগী পাট্টা নং ৪৩৮ (অনৌবা) দাগ নং ১২৭৯/১৪৪৪, এরিয়া একর ১.১৬ চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা মাগী মমিংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

Sd/- Ph. Kumar Singh
Sub-Deputy Collector, Oinam

HL-P/2793/24

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, HIYANGTHANG

Ref. : Mut. Case No. 305 of 2022

1. Soibam Akashini Devi, S/o. (L) S. Tomba Singh of Ningombam Mayai Leikai

-Vs-

(Late) Soibam Tomba Singh, S/o. (L) Thambou Singh of -do-

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Dated/Hiyangthang, the 23rd May, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 Petitioner গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং 106-Hiyangthang পাট্টা নং ... (অরিবা) 896 (অনৌবা)গী হাল দাগ নং ... (অরিবা) 194 (অনৌবা) গী এরিয়া 0.71000 একর চাওবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার/Pattadar অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 31/05/2022 ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপতি/Objection তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Hiyangthang

HL-P/2787/24

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG

Ref. Mutation Case No. 209/SDC/M Dt. 23/05/2022

1. Maibram Manihar Singh, S/o. Late Maibram Kanhai Singh of Moirang Maibram Leikai

-Vs-

Late Maibram Kanhai Singh, S/o. Late Maibram Chini Singh of Moirang Bazar

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Moirang, the 23rd May, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৫৪-খা থীনুঙ্গৈদা লৈবা পাট্টা নং ১১৯৩ (অনৌবা) সী এস দাগকী নং ৪০১৪ এরিয়া ১.২৯ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী ইমুং-মনুং মচানা লম অসিগী নামা (মীং) ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা হায়রিবা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা আপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি উক্ত কোর্টনা লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা কেস চথগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Moirang

HL-P/2784/24

OFFICE OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, HIYANGLAM

Ref. Mut. Case No. 50/SDC/H Dt. 20/05/2022

1. Laishram Purnima Devi, W/o. (Late) Laishram Bijoy Singh of Haobam Marak Keisham Leikai
2. Laishram Shamungou Meetei, S/o. (Late) Laishram Ibohal Meetei of Hiyanglam Awang Leikai

-Petitioners

-Vs-

(Late) Laishram Bijoy Singh, S/o. (Late) Laishram Ibohal Singh of Wabagai
-O.P.P.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Kakching, the 23rd May, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি, হিয়াংলম তহশিল খুল নং ৬৬-ৱাবগাই অনৌবা পাট্টা নং ৮৭৭ অরীবা ১৪০গী দাগ নং ১০৮০কী লম হেক্টর .৭৮৪৫ চাওবা তাওথবী লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং কক্লগা উক্তা দংকারিগী মীংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ তরেৎনি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Hiyanglam

HL-P/2585/24

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, XI, DSLR, MANIPUR

Ref: Mutation Case No. 46/AS&SO-XI Dated 23/05/2022

R.K. Indira Devi, D/o. (L) R.K. Ibempishak Devi of Near YWC Cluc - Thombalkhong Laishram Leikai, Kongba Nongthombam Leikai
- Petitioner

-Vs-

R.K. Ibempishak Devi, W/o. (L) R.K. Sanayaima Singh of Leirikyengbam Leikai
-O.P.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Imphal 23/05/2022

Under Section 46(3) MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং 25-Soibam Leikai পাট্টা নং 284 অরিবা 465 অনৌবা দাগ নং 66 এরিয়া (.02) একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং R.K. Ibempishak Devi, W/o. (L) R.K. Sanayaima Singh of Lairikyengbam Leikai মৃত্ব ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারী/দংকারীশিং অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ৩১/০৫/২০২২ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিখ অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

Assistant Survey & Settlement Officer,
XI, Manipur

HL-P/2790/24

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, HIYANGTHANG

Ref. : Mut. Case No. 307/SDC/IW(H) of 2022

1. Lourembam Lalgupta Singh, S/o. Late Biramani Singh (area - 0.07333 acre)
2. Lourembam Guptachandra Singh, S/o. Late Biramani Singh (area- 0.07333 acre)
3. Lourembam Jallunder Meitei, S/o. Late Biramani Singh of Kodompokpi Lamkhai

-Vs-

Late Lourembam Biramani Singh, S/o. Late Mangi Singh of Kodompokpi Lamkhai

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Dated/Hiyangthang, the 23/05/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 Petitioner গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং 5-Kodompokpi পাট্টা নং ... (অরিবা) 192/780 (অনৌবা)গী হাল দাগ নং ... (অরিবা) 22/411 (অনৌবা)গী এরিয়া 0.22 একর চাওবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার/Pattadar অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 31/05/2022 ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপতি/Objection তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Hiyangthang

HL-P/2789/24

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, HIYANGTHANG

Ref. : Mut. Case No. 308/SDC/IW(H) of 2022

1. Lourembam Lalgupta Singh, S/o. Late Biramani Singh (area - 0.08666 acre)
2. Lourembam Guptachandra Singh, S/o. Late Biramani Singh (area- 0.08666 acre)
3. Lourembam Jallunder Meitei, S/o. Late Biramani Singh (area- 0.08666 acre)
4. Lourembam Shakhitombi Leima, W/o. Late Biramani of of Kodompokpi Lamkhai (area - 0.04002 acre)

-Vs-

Late Lourembam Biramani Singh, S/o. Late Mangi Singh of Kodompokpi Lamkhai

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Dated/Hiyangthang, the 23/05/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 Petitioner গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং 5-Kodompokpi পাট্টা নং ... (অরিবা) 192/825 (অনৌবা)গী হাল দাগ নং ... (অরিবা) 22/418 (অনৌবা)গী এরিয়া 0.30 একর চাওবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার/Pattadar অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 31/05/2022 ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপতি/Objection তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Hiyangthang

HL-P/2789/24

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, HIYANGTHANG

Ref. : Mut. Case No. 313 of 2022

1. Lourembam Punimashi Devi, W/o. (L) Lourembam Ibohal Singh of Meitram Awang Leikai

-Vs-

Late Lourembam Ibohal Singh, S/o. Chingkhei Singh of Meitram

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Dated/Hiyangthang, the 23rd May, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 Petitioner গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং 3-Meitram পাট্টা নং ... (অরিবা) 197/547 (অনৌবা)গী হাল দাগ নং ... (অরিবা) 516 (অনৌবা) গী এরিয়া 0.65000 একর চাওবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার/Pattadar অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 30/05/2022 ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপতি/Objection তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Hiyangthang

HL-P/2789/24